# মাপলশুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯

## ও জেসিয়ানা নুপীগী টিটি অমদি বেটমিটলদা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২২ঃ
ওল মণিপুর ৱাকিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(এ এম দব্লিউ জে য়ু) না শিন্দুনা চহি খুদিংগী লেপ্তনা য়াওশং মনুংদা নুমিৎ ৫ নি চু প্পা চত্থগদবা ৯শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীর্ট ২০১৯ ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পেলেক্সকী ইনেদার হোলদা পাঙথোক্তুনা শান্নখিবা তোঙান তোঙনবা মশান্নশিংদা ইম্পেক্ট টিভিগী ও জেসিয়ানা নুপীগী টেবল টেন্নিস অমদি বেটমিটলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী টেবল টেন্নিস মশান্নদা ইম্পেক্ট টিভিগী ও জেসিয়না দিদি কেগী এন রিনাবু ৩–২ দা মায়থিবা পীখি ।

মেটচ অসিদা জেসিয়ানা পোইন্ট ১১–৯,৬–১১,১১–৮,৭–১১,১২–১০ স্কোর তৌদুনা জেসিয়ানা গোল্ড মেদল অমদি এন রিনানা সিলভর মেদল লৌখি।

নুপাগী টেবল টেন্নিসতনা তোম টিভিগী মাইকেলনা মেদিয়া য়্যুনিফাইদকী লেলিনবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মাইকেলনা পোইন্ট ১৪–১২,১১–৯,১১–৮ স্কোর তৌদুনা মাইকেলনা গাল্ড মেদল অমদি লেলিননা সিলভর মেদল লৌখি।



নুপীগী বেটমিটল মশান্নদসু ইম্পেক্ট টিভিগী ও জেসিয়ানা আই এস টিভিগী এন রিনাবু ১৫–৪,১৫–১২ দা মায়থিবা পীদুনা জেসিয়না গোল্ড মেদল অমদি এন রিননা সিলভর মেদল লৌখি।

নুপাগী বেটমিটলদা ইভিনিংজরগী এন বিক্রমজিৎনা মেদিয়া য়্যুনিফাইদকী এল বিনোটপু ১৫–১০,১৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা এন বিক্রমজিৎনা গোল্ড মেদল অমদি এন বিনোটনা সিলভর মেদল লৌখি।

**Medal Tally**

| Rank | Team | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ISTV | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 2 | IMPACT TV | 3 | 1 | 3 | 7 |
| 3 | SANGAI | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 4 | SANALEIBAK | 1 | 3 | 1 | 5 |
| 5 | TOM TV | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 6 | EVENINGER | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | MEDIA UNIFIED | 0 | 2 | 0 | 2 |

# অহানবা থৌবাল ৱান দে লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

## অল অমিন লিলোংনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২২ ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দা টিম ৬ না নোক আউট বেসিক্তা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১১ দগী চত্থরকপা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱান দে লীগ কম নোর্ক আউট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর অল অমিন লিলোংনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা অল অমিন লিলোংনা সি এ এল মসাজিদ রোদ লিলোংবু রন ৮১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অল অমিন না তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা ওভর ২৯ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২০৩ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা সি এ এলনা ওভর ২৫.৪ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১২২ লৌদুনা মেটচ অসি রন ৮১ দা মায়থিবা নংখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা অল অমিনগী বেষ্টমেন অব্দুলানা বোল ৬৭ দা রন ৮৪,নাওসাদনা বোল ৪৬ দা রন ৩৯,গুনিরামনা বোল ১৬ দা রন ২০ অমদি বাসিকনা বোল ১২ দা রন ১৩ লৌখি।

ইন্নিংস অসিগী সি এ এলগী বোল্লিংদা হমজাটনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ২,জনাপনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২ অমদি লখিম্বুরনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সি এ এলগী বেষ্টমেন সদামনা বোল ৪২ দা রন ২৫,হমজনা বোল ৩৫ দা রন ১৯,সদাটনা বোল ১৩ দা রন ১৭ অমদি রাজেসনা বোল ১৫ দা রন ১০ লৌখি।

অল অমিনগী বোল্লিংদা সমিরনা ওভর ৫.৪ দা ৱিকেট ৩,নাওসাদনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ২,অব্দুলা অমদি মুসতাকনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা অল অমিনগী ৱিকেট ১ অমদি রন ৮৪ লৌখিবা অব্দুলানা তাখি।




ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ১০,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ৫,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবনা টি ক্যু সিগী বাবোইনা রন ২৪৭ লৌদুনা তাখি।

ৱিকেট খ্বাইদগী লৌবা শান্নরোইনা সি এ এলগী হুমজনা ৱিকেট ১৫ লৌদুনা তাখি। অদুগা মেন ওফ দি সেরিসনা অল অমিনগী অব্দুলানা ৱিকেট ৮ অমদি রন ২৩০ লৌদুনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট চোঙথাম চাউবা,থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ই ভোরোট,মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সিঙম প্রিয়ান্দা অমদি থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি অব্দুর রাজকনা থৌরমগী মথংশিংনা চিফ গেষ্ট,প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তারকখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# নিপালশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯

## দেসাম অমদি কে এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২২ঃ
কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ২৫ ফাওবা চত্থগদবা ৮শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দেসাম অমদি কে এস এ মায় পাকখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৮শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা এ আই এম অমদি সুক কা শান্নগদবদা এ আই এম শান্নবা লাকখিদ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা দেসামনা এম এস এফপু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা দেসামগী গোল অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ ঙাম্থোইবা মুতুমনা মিনট ৯, অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ এল জোনন্সনা মিনট ৫৯,জর্সি নম্বর ১৪ দব্লিউ দিরান্দোনা মিনট ৬০ প্লস ২ অমদি জর্সি নম্বর ৭ থোইথোইবানা মিনট ৬০ প্লস ৩ দা চনখি।

মায়থিরবা এম এস এফকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৪ এ কে উমাকন্তনা মিনট ১৩ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা কে এস এনা এস য়ু মেবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কে এস এগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি।

অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৬ নিংথৌবনা মিনট ১১ দা চনখি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অদুনা জর্সি নম্মর ১৫ ফাজালনা মিনট ৪২ অমদি জর্সি নম্বর ২৪ কুসালনা মিনট ৫৩ দা চনখি।



স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না কোংবা উচেকোন লাইরেল পার্টকী মোর্দন একাদেমিদা শান্নখিবা ৭ শুবা কংলৈপাক চৈবি য়েন্দমনবগী চহি ১২ মখাগী নুপা মচাগী কেজি ২৫ মখাগীদা থোমাসনা অহানবা,লনচেনবনা অনীশুবা,মঙালসনা অমদি য়াইফাবনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগীদনা টি ঐচ খ্রিষ্টিননা অহানবা তাখি।

কেজি ২৯গী নুপামচাদা অথোইবনা অহানবা,য়োহেনবনা অনীশুবা,ঐচ য়োহেনবা অমদি এল লনচেনবনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগীদনা মিনিয়রনা অহানবা,লনথোইবিনা অনীশুবা, পিথ্রিমালা অমদি য়াইচেনবিনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৩৩ গী নুপামচাদা শ্রিনিবাসনা অহানবা,লনচেনবনা অনীশুবা,জিনস অমদি জাসোচন্দ্রনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগীদা মিল্কিনা অহানবা,পোইনুঙানবীনা অনীশুবা,রিশিপ্রিয়া অমদি বিনিয়ানা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচাগী চহি ১৪ মখাগী কেজ ৩৫ দা অমুনা অহানবা,দিবেসনা অনীশুবা,বনাসন অমদি দিবাসনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৩৯ দা সনায়াইনা অহানবা,অঞ্জুননা অনীশুবা,বিকি অমদি কংলৈঙনবনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪৩ দা রোহিৎনা অহানবা,নোংপোকঙনবনা অনীশুবা,মলেঙানবা অমদি থোইচানা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪৭ দা বালেশ্বোরনা অহানবা,নোবিয়াসননা অনীশুবা ,গৌতম অমদি শ্রিনিবাসনা অহুমশুবা তাখি।

গোপাল দেব কাংশঙ য়াইস্কুলদা শান্নখিবা ৮শুবা কংলৈ কাং ট্রোফিদা শিংজমৈ কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু ১১–৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হয়েং সেমি ফাইনেলদা নম্বুল মপাল অমদি শিংজমৈগা শান্নরগনি।

শিংজমৈ কাং শঙদা শান্নখিবদনা নম্বুল মপালনা আই দব্লিউ কে কেবু ২৩–১৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হয়েং সেমি ফাইনেলদা গোপাল দেব অমদি এন বি কে এগা শান্নরগনি।

সঙাইপ্রোক মমাং লৈকাই কম্মুনির্টি হোলদা শান্নখিবদা ৪ শুবা কংলৈ থাং তা চেম্পিয়ন্সিপকী চহি ১৭ মখা নুপামচাগী ফুনবা অনীশুবা কেজি ২৫ দা অথোইবনা অহানবা,শ্রিনিভাসনা অনীশুবা অমদি পোৱৈতোননা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ২৯ দা মেক্সনা অহানবা,লনচেনবনা অনীশুবা অমদি উরিজিষ্টনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৩৩ দা রাজেসনা অহানবা,য়াইফবনা অনীশুবা অমদি মলেমঙানবনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৩৭ দা তাইচিং খুমননা অহানবা,অসামনিনা অনীশুবা অমদি শ্রিনিভাসনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪১ দা রবিনাসনা অহানবা,সানতোননা অনীশুবা অমদি ৱাংথোইনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪৫ দা রোমেসনা অহানবা,জেমসনা অনীশুবা অমদি জোনন্সনা অহুমশুবা তাখি।

# অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## দ্রেস হাউস,পি টি সি সি(এ),থোইবা অমদি ঙাইরাংবম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২২ঃ
পার্টসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শিন্দুনা পার্টসোই পার্ট–৩ ফুটবোল গ্রাউন্দা টিম ২১ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চত্থরকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দ্রেস হাউস,পি টি সি সি(এ),থোইবা অমদি ঙাইরাংবম মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা দ্রেস হাউসনা অপুন্নবা এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফগী মিনট ৯ চৎপদা অপুন্নবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ জিটেশ্বোরনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু গোল চনলবা মতুং মিনট ৫ লৈরগা মিনট ১৪ দা দ্রেস হাউসকী জর্সি নম্বর ১১ সন্তানুনা গোল হন্দেক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়রা ফাওবা ১–১ দা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দ্রেস হাউসকী জর্সি নম্বর ১৪ সোকিপনা মিনট ৩৬ চৎপদা গোল অমা হাপচিন্দুনা দ্রেস হাউসগী মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোন্দুনা ২–১ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা পি টি সি সি (এ)না গোল্ডন এফ সিবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৩ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি।

অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ পেট্রিক্টনা মিনট ১৫,জর্সি নম্বর ৭ মিলননা মিনট ১৯,জর্সি নম্বর ১০ কনচননা মিনট ২৫ দা গোল ৩ অদু চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৫ চিংঙ্খোনা মিনট ৩২ অমদি জর্সি নম্বর ১২ পেত্রিক্টনা মিনট ৪৬ দা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিরবা গোল্ডন এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ বিনোইদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা থোইবা এফ সিনা এম পি এস সি(এ)বু গোল ১১–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থোইবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ রোসননা মিনট ২,২৫ প্লস ১,৩৪ অমদি ৪৯ দা গোল ৪,জর্সি নম্বর ১২ প্রেমজিৎনা মিনট ৩০,৩৯,৪৭ অমদি ৪৮ দা গোল ৪,জর্সি নম্বর ১০ সিটলনা মিনট ৩৫ অমদি ৪২ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ২ জিকোপনা মিনট ৪৬ দা গোল ১ চনখি।

মায়থিরবা এম পি এস সি(এ) গী গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ কিরননা মিনট ৪৪ দা চনখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা ঙাইরাংবম এফ সিনা টি ৱাই দি এবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ঙাইরাংবম এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ এন জি পিটরনা মিনট ৩ অমদি জর্সি নম্বর ২০ পি অনন্দনা মিনট ২১ দা চনখি।

মায়থিরবা টি ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী হেক হৌরকপা মিনট ১ দা জর্সি নম্বর ১৪ টি ঐচ জয়চন্দ্রনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৬ দা এম পি এগ সি (বি) অমদি আর এফ সিনা অহানবা,লনচেনবি এফ সি অমদি অমন এফ সিনা অনীশুবা,য়ু এফ সি অমদি এল ৱাই পি ও সিনা অহুমশুবা অমদি এফ সি চালৌ অমদি থোইবা এফ সিনা মরিশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# ৪০শুবা ই এ এস টি সি য়ু গেমস ২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২২ঃ
ইর্ষ্টন ষ্টুদেন্ট ক্লব নোংমৈবুংগী এন্যুয়েল স্পোর্টস মীর্ট ওর্গানাইজিং কম্মীর্টিনা শিন্দুনা য়াওশং কুমহৈগী মরি লৈননা চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোকপাগুম চহি অসিগীসু ৪০ শুবা ওইনা ইর্ষ্টন গেমস ২০১৯ হৌদোকখ্রে।

গেমস অসি নোংমৈবুং পুং মথক্তা লৈবা ইমা কোলোই লৈমগী লাইশংদগী শেংলবা মৈরা লৌদুনা হৌদোকখি।

ইম্ফাল ইর্ষ্টকী নোংমৈবুংদা লৈবা ইর্ষ্টন ষ্টুদেন্ট ক্লব স্পোর্টস কমপ্লেক্স তা পাঙথোকপা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী টেক্নিকেল ইডুকেসনগী কন্তোলর মুতুম ইবোমচানা চীফ গেষ্ট,সেরাম বসন্তা এক্স প্রসিদেন্ট ই এস সি,বি খেলচন্দ্রা এক্স প্রসিদেন্ট ই এস সি,আর কে ইতোচা এদভাইজর ই এস সি,আর কে বালরাম এদভাইজর



অমসুং কে এস ঐচ উমেস এক্স কন্তোলর ৱাদ নম্বর ২১ না গেষ্ট ওপ ওন্নর অমদি এন ইন্দ্রাজিৎ প্রসিদেন্ট ই এস সিনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওসনা শরুম য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা ই এস সিগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্রাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক ৮০ শুবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ইর্ষ্টন গেমর্স অসি ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা য়াওশঙ মনুংদা পাঙথোকপা গেমসনি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা এনুয়েল স্পোর্টস মীর্ট অসি তোঙান তোঙানবা অঙাংগী অহলগী ইভেন কয়াদা অথোই অহেন তান্নগনি।

য়াওশঙ মনুংদা স্পোর্টস পাঙথোক্তুনা য়াওশঙ মনুংদা কুমহৈ ফীয়োংদা লুপতুনা লৈবগী মহুৎত্তা মতৌ করম্না শান্ন–খোৎনবদা মাই ওনশিনহনগদগে হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা স্পোর্টস অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নোংমৈবুং ৱুমেন্স মৈরা পাইবী এসোসিয়েসনগী মনুংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী হেদ ওফিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৫ থোক্লা খাইদোক্তুনা পুন্না কন্তিজেন্ট ৬ না শরুক য়াদুনা মার্চ পাস কম্পিপটিসন অমসু পাঙথোকখি। মসিনা হৌদোকপগী থৌরম অসিগী মরু ওইবা ইভেন ওইখি।

# এ এফ সি য়ু–২৩ ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়া উজবেকিষ্টানগী মখূত্তা ০–৩ দা মায়থিখ্রে

ন্যু দিল্লি,মার্চ ২২ঃ
ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম্না ঙসি এ এফ সি য়ু–২৩ গী উজবেকিষ্টানগা শান্নখিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী মেটচ অমদা উজবেকিষ্টাননা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিষ্টাননা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিলক্লবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা তৌবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।



অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইনিদয়াগী শান্নরোই গৌরব বোরানা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবদগী উজবেকিষ্টাননা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই কোবিলোভনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈরুরবা মতুং মেটচকী ৭৩ অমদি ৮৩শুবা মিনটতা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোই বোবির অবদিজোলিকোভনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা মেটচ অদুদা ইনিদয়াবু ৩–০ মায়থিবা পীরমখি।

এ এফ সি য়ু–২৩ চেম্পিয়ন্সিপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা ইনিদয়ানা অরোইবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৪ দা টাজিকিষ্টানগা শান্নরগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com